

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯟ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯷꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

**হুইয়েন লানপাউ**

য়ূমশকৈশা, জুন ০৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৭৪শুবা মশীং


# চোন্থগদৌরিবসি করিগীনো

## মোঙফম্না পীক থলহনবগী থৌশিল তৌরগুমসি

চিনাগী ৱুহান প্রোভিন্সতা লৈবা ভাইরোলোজিগী লেবোরেটরিদগী নাম্থোরকপা মহিক ওইগেরা নৎত্রগা মীওইবগা নক্নরিবা শা-ঙাদগী লৌনরক্তুনা শন্দোরকপবু ওইগেরা, ওইনিংবা ওইজসনু। চিনা মথন্তনা থৌওইনা শেম-শাদুনা পুথোরকপসু ওইসনু। নৎত্রগা অতোপ্পা লৈবাক অমা-নিগা লৌতুনরগা শাগৎলক্তুনা পুথোরকপা ওইগে হায়রবসু ওইজনু। মদুগী চপ-চাবা মরম, হৌরকফম শোয়দনা লৈগনি, লৈফম থোকই। চেনবা য়াগদবা নত্তে। লেংদনা লৈজরম্লগদবা অচুম্বা অশেংবশিংনি। পুন্নমকসিদি নাকলদা থৈদোক্লগা থমখিসি। ঈরোইবা হৈত্রিবা অঙাং অমনা পুখ্রি ময়াইদা ঈক-আ ঈক-আ তৌদুনা লৈবা উরগা মহাক্না মতৌ করম্না পুখ্রিদা তাশিল্লুরিবনো হায়দুনা মদুগী মরম থিদুনা পুখ্রি মপান্দা খ্বাং মেৎলগা লৈগদবা নত্তে। ওইনিংবা ওইজসনু, পুখ্রিদা চোংথরগা অঙাংদু হান্না কংফালদা পুখৎলক্কদবনি। মদুনা তাঞ্জাদুগী তৌদবা য়াদ্রবা থবক্নি। মসিমক হৌজিক কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিদা থোক্লিবনি। হৌজিক তৌগদবা হায়ববু তমথিরবা লায়নাসিনা নাহন্দ্রিবা মীওইশিংদা লায়নাসিনা নারকহন্দনবা হোৎনবা অদুগা নাহল্লক্লবা মীওইশিংগীনা মখোয়গী মথ্বায় কন্ননবা অঙন্বা, অরৈবা পাম্বৈ পুথোক্তুনা হোৎনবা, লৈরমদ্রগসু লৈহন্নবা হোৎনবদুনি মথৌ তারিবসি। লায়নাসি ঙসি-ঙরাংতদগী হকথেংনরকপা নত্তে। মমাঙগী চহী ২০২০গী মার্চতগী হকথেংনরক্লবনি। হৌজিক লায়নাসিগী মরমদা খঙবা য়াবা খঙলে। মখা তানা খঙগদবা হায়ববু লায়নাসি মতৌ করম্না চোংথোরকখিবনো? মহৌশা লাইরেম্বীগী খুদোললা নৎত্রগা মীওইবনা থৌওইনা শেম্লগা পুথোরকখিব্রা হায়বদুদা ঙাইশিল্লক্লে। অদুবু শাথিরবা লায়না অমসুং মসিগী লাইচৎতগী লাপ্না লৈবদি হৌজিক ফাউবা ঙমদ্রিবনিনা মসিবু মায়োক্নবা লানসি খরগা হেন্না কনশিন্না শোক্নবগী তঙাইফবদুদি লৈরি।

তাঞ্জাসিদা জুন ৭, ২০২১দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়াম্না ফজবা থৌশিল-থৌরাং অমা লাউথোকখ্রে। লাক্লিবা জুন ২১, ২০২১দগীদি মশাগী চহী ১৮গী মথক্তা লৈরবা মীওইশিং, হায়বদি হৌজিক ফাউবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা য়ারবা মীওইশিংদা কাপ্পনবা হিদাকশিং ষ্টেটশিংদা লেম্না পীরগনি হায়বনি। লৈবাকসিগী মীয়ামগী ওইবা ৱাফমনি। য়াম্নসু ফজবা অদুগা তৌদবসু য়াদ্রবা থবকনি। মসিগীদমক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ফাউবনা মাঙজিল থারদুনা প্রাইম মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মায়কৈদগী প্রাইম মিনিষ্টরবু শোয়দনা মথং-মথং থাগৎনরকখিগনি খল্লি। থাগৎফমসু থোকই। অফবা থবক অমা তৌরক্লনি হায়রকপদদি থাগৎপসু হৈগদবনি। অদুবু অসুক ফজখ্রবা থবকসি নহানমখৈ কৈদৌদনা লৈবগে? ফরেনে, হৌজিক লৈবাকসিগী মীওই লাখনা খুজিং ওইদুনা শিরবা মতুংদা পায়খৎলক্কদবা থৌশিল ওইরবসু অফবনিনা ফৈ হায়রগে। অদুবু অফবা থবকসি জুনগী ২১ ফাউবা অমুক ঙাইখিগদৌরিবা করিগীনো। লৈবাকসিগী মীওই লাখ খরগা অমুক শিরকখিবা ঙাইখিগদৌরিব্রা? মসিগী মরম শোয়দনা লৈরমগনি। অদুগা মরমশিং অদুগী মনুংদা লেম্না পীদুনা মীপুম খূদিংমক কাপথোকহল্লগনি হায়রিবা হিদাকসি মথৌ তাবা মশীং শুনা কোন্ননবা লৈতবদগী শোয়দনা ওইগনি। মরমদি হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ মায়োক্নবগীদমক মেন্যুফেকচর তৌরিবা ভেক্সিনশিংগী মনুংদা মাঙজিল থারিবা কোভিসিল্ড অমসুং কোভাক্সিনগী মনুংদা অকোনবগী হিদাকসিদি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন না এপ্রুভ তৌদ্রি, তৌননবা হোৎনরি হায়বগী ফীভমদা লৈরি। কোভিসিল্ড য়াওনা রামদেশিবিরনচিংবদং শীজিন্নরি। অদুবু মসিগী ফীভমসি লৈরগদি লৈবাকসিনা শাজবা কোভিদ ভেক্সিনশিং অতোপ্পা লৈবাক্তা হান্না খুৎচাও থাদুনা য়োম্থোক্নুরিবা করিগীনো? ফমশেন্নরিবা লৈবাকসিগী মীয়ামদা কাপকদবা হিদাকশিংদু মীঙোন্দা হান্না পীথোক্লুরিবা করিগীনো? হিদাক ওইরো নৎত্রগা চান-থক্নবা পোৎলমশিংবু ওইরো ইশাগী মথৌ তাবা চাংদগী হেন্দোক্না, সরপ্লস ওইনা লৈরকান্দা মীঙোন্দা পীগদবা নৎত্রা? মমল ফংগদবা, মসিগী মথক্তা শেন্দোংসু ফংগদবা ওইরবসু চি লাওনা ফাউবা লৈবা ঙমজদ্রিঙৈদা মালেমগী লৈবাক মীয়াম মাঙদা মাঙজোং চোংলুবা য়াব্রা? হৌজিক্তি কমদৌরে? ফমশেন্নরিবা লৈবাকসিগী মীয়াম্না খাঙেনফম য়ৌরে, ঈরুজ থোকপীরগা মৈ থাদোকখিননবা চন্দোন থিনবীগদবদা ঙাইরে। মালেমগী মীয়াম মমাঙদা তিংলুবা পাম্বোমদুনা অশিবা হকচাংশিং হোন্দোক-হোঞ্জিল তৌবগী ফীভমদা তারক্লে। কোভিদ-১৯না শোকহল্লবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা অনীশুবদা লৈরে। মসিগী তেকচাক পুন্নমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলক্লিবা চহী ৭ লৈঙাক চুপ্পি মায় পাক্লা পায়রক্লবনি হায়রিবা লৈঙাকসিদা নমদবা য়ারোই। হৌজিক্তদা মোঙফমনা খোঙ থাফম লৈরক্তবা মতমদতা ৱাখল তারকপ্রা? লায়নাসি তমথিবা লায়নানি। নকশিন্নবদা ফাউবা শন্দোক্লিবনি, লৌনরিবনি। মসিনবু নাহনখ্রবদি পোজিটিভ ওইরকপদগী লায়েংদুনা ফরক্তুনা নেগেটিভ ওইরক্লবসু পোজিটিভ ওইরিঙৈদা শোকহনখিবদুনা মরম ওইরগা মশা শোনবা মীওইশিংদি হিংবা ঙমদে। কলহৌনবা হোৎনবদু অরেম্বা তায়। মসি ওইরগদি পোজিটিভ ওইরগা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরবসু, কম্যুনিটি হোম আইসোলেসনদবু লৈরবসু, কোভিদ ক্যের সেন্টর নৎত্রগা হোস্পিটালদবু লৈরবসু মশাবু শোল্লবদি অদুম্মক হিংদে খঙনা খঙনা অথুবা মতমদা লৈবাকসিগী মীয়াম পাক্তক্লনা হিদাক কাপথোকহৌনবা থবক পায়খৎহৌদ্রিবা করিগীনো? হৌজিক্তদা হিদাক লেম্না পীরনি। ষ্টেটশিংনা পায়খৎলিবা ভেক্সিনেসনগী থবকসি চাদা ২৫ খক্তনি। ৱাৎহৌরিবা চাদা ৭৫ দি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট য়াওশিন্দুনা মোনিটর তৌরগা ষ্টেটশিংগা পুন্না চঙমিন্নরগনি হায়বগী ৱারেপ লৌরক্লিবা করিগীনো? মসিদি মীয়ামগী থবক তৌবদা, লৈবাক লৈঙাকপদা পুকচেল খোয়বগী খুদমনি। মতুংদা তৌগনু। হিংবা চঙববু খুৎনা পায়দুনা শান্নবগী থবক্তি মীয়াম্না খক ঙাকপীরক্লোই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯

১) “খোঙকাপ চৎফম উদবনা শমুখোঙকাপ থাংবদি লফুৎ ফমজিংলাংনা মিথুনৈএ।” ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?
২) “মৈতৈ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন” (খৃ: ১৯৩০) হায়বসি মতুংদা করি হায়না খঙনখিবগে?
৩) ফুঙ্গা ৱারীগী লাইরিক “ইবেনবোক্কী ৱারী” (১৯৫৯) হায়বসি কনানা ইবনো?
৪) “ঐগী রাধে রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নশা ৱানবনি নোম্মুনু/নখূৎ মোৎনবনি শূরুনু/ঐনা হায়বা তাও রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নপাঙ্গল কেম্নবদি শূরুনু রাধে।” মণিপুরগী শক্নাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবিদু কনানো? করি শৈরেং (মমিং) নো?
৫) জর্মনগী ফাওরবা অইবা হেরমন হেস: গী “সিদ্ধার্থ” হায়বা লাইরিক্তু মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# বিলাতিমাটি শীজিন্নরগা বেত্তরি শাবা য়ূম অমবু বেত্তরি ওইনা শীজিন্নরকপা য়ারক্কদৌরি


সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম


ইথা থাজদবা, মঙগুম্লবা কয়া ঙসিদি অশেংবা ওইনা উবা ঙম্লে। হৌজিক থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্ট কয়ানা য়ূম অমবু বেত্তরি ওইনা শীজিন্ননবগী থৌরাং তৌবা ঙম্লক্লে। য়ূম অমা, মথোল অহুম-মরি ৱাংবা, মদুনা অচৌবা বেত্তরি অমগুম্না এনর্জি তুংশিন্দুনা থম্বা য়াবা, লৈ খল্লসি। অদু ওইরবদি, চহী অমদা ইলেক্ট্রিসিটি শীজিন্নবগী শেলদু কয়াদা হন্থরমগদবগে? খন্দুনা য়েংসি। স্বিদেনগী চালমর্স য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্নোলোজিগী দিপার্টমেন্ট ওফ অর্কিটেকচর এন্দ সিভিল এঞ্জিনিয়রিংগী থিজিন লূপ অমনা বিলাতিমাটিনা শাবা বেত্তরি অমা পুথোক্লে হায়না ‘বিল্ডিংস’ চেফোঙদা ফোঙদোরক্লি।


হৌজিক্তি লম্ খুদিংমক্তা ‘সষ্টেনেবল’ ওইবা হায়বা ৱাফমসি শীজিন্নরক্লে। অদুনা য়ূম অমা শাবদসু সষ্টেনেবল ওইবা য়ূমগী মথৌ তারকই। অদুনা চহী খরগী মমাঙদা চালমর্স য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্নোলোজিগী ডাক্টর ইমা জাংনা প্রোফেসর লুপিং তাংগী থিজিন-লূপকা পূল্লগা সষ্টেনেবল ওইবা বিল্ডিং মেটরিএলশিং পুথোক্নবগী মতাংদা থিজিনবা হৌরকখি। মদুগী মহয় অমা ওইনা হন্না হন্না চার্জ তৌবা য়াবা বিলাতিমাটিগী বেত্তরি অমা পুথোকপা ঙমখ্রে। মখোয়না ইলেক্ট্রিক করেন্ট চেনবগী চাং হেনগৎহন্নবগীদমক বিলাতিমাতি য়াওবা য়ানশিন্নবা অমদা অতেনবা কার্বন ফাইবর খরা হাপচিনখি। বেত্তরি অমদা মপূং ওইনা পোৎশক অহুমখক য়াওই : ইলেক্ট্রোলাইট, এনোদ (নেগেটিভ টর্মিনেল) অমসুং কেথোদ (পোজিটিভ টর্মিনেল) ইলেক্ট্রোলাইট অদুগা শোক্নরগা লৈরিবা এনোদতগী ইলেক্ট্রোনশিংনা এক্সটর্নেল সর্কিট ফাওদুনা চেল্লক্লবা, ইলেক্ট্রোলাইট অদুগা শোক্নদুনা লৈরিবা কেথোদতা চেনশিল্লকই। অসুম্না ইলেক্ট্রোনশিংনা চেনবদগী ইলেক্ট্রিক করেন্ট থোরকই। জাং অমসুং তাংগী থিজিন-লূপনা পুথোরক্লিবা বেত্তরি অসিদা য়োৎনা এনোদ ওই অদুগা নিকেলনা কেথোদ ওই। য়োৎ অমসুং নিকেলদু কার্বন ফাইবরশিংদা তৈশিল্লগা জালিগী মওংদা শেম্বনি।

লুপিং তাং অমসুং ইমা জাংগী লূপসিনা বিলাতিমাতি শীজিন্নরগা শাখিবা, অমুক হন্না চার্জ তৌবা য়াবা বেত্তরি অসিগী চাংচৎকী এনর্জি দেন্সিটিনা ৭ ৱাট্ট ঔৱার পর স্কৱার মিটর (০.৮ ৱাট্ট ঔৱার পর লিটর) নি। এনর্জি দেন্সিটি হায়বসিনা তাক্লিবসি বেত্তরিদুগী কেপাসিতিবুনি। বেত্তরিসি শেমদোক-শাদোক্লবা মতুংদা, নৌনা পুথোরকপা বেত্তরিশিংদদি এনর্জি দেন্সিটিসি শরুক তরা হেন্না হেনগৎহনবা ঙমগনি হায়রি। মদুমক ওইদুনসু, হৌজিক শীজিন্নরিবা বেত্তরিশিংগা চাংদম্নরুরবদি এনর্জি দেন্সিটিসি অদুমক হন্থরি। খুদম ওইনা, অপিকপা লিথিয়ম-আইওন বেত্তরি অমগীদি য়াম্না শক্তি লৈ, অদুনা এনর্জি দেন্সিটিসি ২৫০-৩০০ ৱাট্ট ঔৱার পর লিটরনি। অদুবু বিল্ডিং অমদা শীজিন্নরকপা মতমদদি, অচৌবা বিল্ডিংদুদা এনোদ অমসুং কেথোদতু য়াম্না চাওগদবনিনা, লিটর মশীং য়ামখৎলক্লগনি অদুগা এনর্জিগী চাংসু য়াম্না য়াল্লগনি। অদুনা অচৌবা বেত্তরি অমা ওইগদৌরিবনিনা, চার্জ দেন্সিটি নেম্বসিনা খুদোংচাদবা থোইদোক্না থোকহল্লোই হায়রি।




বেত্তরি অমবু অমুক হন্না চার্জ তৌবা য়াবা হায়বসিমক য়াম্নমক মরু ওইবা মগুণ অমনি। থিজিন-লূপ অসিনা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংদা ফগৎহনবগা লোয়নন্না অনৌবা কন্সেপ্টশিং শীজিন্নরগা বেত্তরিসি হেন্না ফগৎহনবা ঙমগনি হায়বগী আশা তৌরি। অসিগুম্বা বেত্তরি অসিনা এল ই দিশিং ঙালহনবদগী হৌরগা অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিংদা 4G কনেক্সনশিং পীবসু ঙমগনি। য়ুহা হাবগুম্বা মহৌশাগী ওইবা থৌদোকশিংদা বিল্ডিংশিংনা কিন্থবা, তেকপসি মরু ওইনা হাপখ্রিবা য়োৎশিংদুনা কোহ্লিং কারক্ত্রিঙৈদা, অসিগুম্বা বেত্তরিসি শীজিন্নরগা য়োৎশিংদুবু কেথোদিক প্রোটেক্সন পীবসু য়াগনি হায়রি। কেথোদিক প্রোটেক্সন হায়বসি ইলেক্ট্রিক করেন্ট শীজিন্নরগা য়োত্তা কোহ্লিং কাদবা পোৎ অমা তৈশিনববু খঙনৈ।

ইমা জাংনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মসিগী বেত্তরিসি সোলর সেল পেনেলশিংগা পূনশিল্লগা হায়ৱেশিং, কংক্রিট ওইবা থোংশিংগী মোনিটরিং সিষ্টমশিংদা ইলেক্ট্রিসিটি পীদুনা, সেন্সরশিংনা হায়ৱে নৎত্রগা থোংদুদা ময়ি চৎলকপা অমসুং হাপখ্রিবা য়োৎশিংদুদা কোহ্লিং কারকপনচিংবা পুথোকহনবসু ঙমগনি। অসিগুম্বা য়ূম, বিল্ডিং অমসুং ষ্ট্রকচরশিং শাবা ঙম্বা হায়বসি অনৌবা য়াওল অমনি। মরমদি মসিনা অচৌ-অচৌবা এনর্জি ষ্টোরেজ শিং পীদুনা এনর্জি ক্রাইসিস মায়োক্নবদা মতেং পাংগনি। হৌজিক ঐখোয়না বিলাটিমাতি শীজিন্নরগা শারিবা য়ূমশিংসিদি সষ্টেনেবিলিটিরোমদা য়েংলুরবদি য়াম্নমক মতিক চাদ্রিবনি।




বিলাতিমাতিগী বেত্তরি অমসুং মসিবু য়ূমদা শীজিন্নবগী শক্তম তাকপা লাইয়েক

অদুনা মথোল কয়াগী বিল্ডিংসি শাবা মতমদা এনোদ অমসুং কেথোদশিং হাপহৌবা হায়বসি সষ্টেনেবল খরগী মখৈদি ওইরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি।

হৌজিক্কী ওইনদি ৱাখল্লোন অসি য়াম্নমক নৌরি। অদুনা টেক্নিক অসিবু কম্মর্সিএলাইজ তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা, মসিবু চপ চানা শীজিন্নবা য়াবগী ফীভমদা লাকহনবগা লোয়নন্না মপুন্সি শাংহনবগী মথৌ তারি। কংক্রিট ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংসি মহৌশানা চহী য়াঙ্খেদগীনা চাম্মরোম চৎনবা শানবনিনা, বেত্তরি অসিসু মদুগা চাংদম্নবা য়ানবা শাবা নৎত্রগা মপুন্সি লোইরবা মতুংদা, নৌনা শিন্দোকপা অমসুং রিসাইকল তৌবা য়ানবগী মওংদা শেমদোক-শাদোকপগী মথৌ তারি হায়না জাংনা হায়রি। মসিনা করিগুম্বা য়ূম-কৈ শাবদা তশেংনা শীজিন্নবা য়ারকপা তারগদি ইলেক্ট্রিসিটিগী অৱাবা শুক্লৈমক লৈতবা পুন্সি মহিং অমা ওইরকপা য়ারি। ●

# জিওগ্রাফি অমসুং ওলিম্পিক - ২


- লৈশাংথেম অজিৎ -


শান্নবগী হীরমশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা চাওখৎপা লৈবাকশিংদা শান্নবগী স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটি লিংখৎতুনা শান্নবগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা খুমাং চাওখৎনবা থিজিন-খোৎচিনবগী (রিছর্স) মহৈরোয় কয়ামুক্না খেন্না-খেন্নবা মশান্নশিং অমদি মশান্নশিং অসিগা মরী লৈনবা ৱারম কয়ামুক্তা দাইরেক্ট দিগ্রী হায়বদি ডোক্টর ওফ ফিলোসোফি ফংনবা হোৎনরিবশিংগী মনুংদা ‘স্পোর্টস অমসুং জিওগ্রাফি’ গী হীরমদা থিজিন খোৎচিনবগী থবক চথুবা মহৈরোয় হায়বদি রিছর্স স্কোলর কয়ামুক য়াওরি। নোংচুপলোমগী য়ুনিভর্সিটিশিংদা পোষ্ট গ্রেজুয়েটকী ক্লাসশিংদা ‘স্পোর্টস জিওগ্রাফি’ অসি তোঙানবা সবজেক্ট অমা ওইরি। সবজেক্ট অসিদা মহৈরোয় কয়ামুক্না ডোক্টরেট দিগ্রী ফংবদা নত্তনা নুপামচা নুপীমচা কয়ামুক্না হীরম অসিদা দিগ্রী লৌবা য়াম্না পাম্নরি। কুমজা ১৯৮১দা ফিলিপ এল ৱগনর কৌবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী প্রোফেসর অমনা স্পোর্টসনা লৈবাক অমগী কলচরদা অমসুং লৈবাক অদুগী সমাজগী ওইবা অফবা মরী অমগা অমগা নুংশিনবা, নুংশিননা লৈমিন্ননবগী অচৌবা মচাক অমনি হায়না মহাক্কী লাইরিক্তা ইরি। কার্ল রেইটজনা কুমজা ১৯৯৫দা স্পোর্টস এন্দ জিওগ্রাফিগী মরমদা শান্নফম ওইবা য়াবা লৌবুক-লম্ধাং অমদি মসিনা শান্ন-খোৎনবদা নহারোল অমদি অহল ওইবশিংনা মপূক্লিং চঙবা অমসুং চঙদবগী মরমদা থিজিন খোৎচিনবগী থবক চথুরম্মী। অদুবু জোন বালে কৌবা জিওগ্রাফিগী মরমদা থিজিনবা অমনা কুমজা ২০০৩দা স্পোর্টস জিওগ্রাফি অসি খ্বাইদগী কান্নবা অমদি পাম্নবা হীরম অমনি হায়না হীরম অসিদা পূক্লিং থৌগৎলম্মী।

শান্নবগী মরমদা তম্বী-তাকপীনবা কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটি কয়ামুক লৈরিবা মালেম অসিদা খেন্না-খেন্নবা সবজেক্ট (হীরম) তা মহৈ তম্বীরবসু ফিলোসোফি, সোসিওলোজি, হিষ্টরি অমসুং স্পোর্টস সাইকোলোজিবু মরু ওইবা সবজেক্ট ওইনা তম্মী। তৌইগুম্বসুং স্পোর্টস জিওগ্রাফিদি য়াওদে। য়ুনিভর্সিটিশিং অসিনা স্পোর্টস জিওগ্রাফিবু সবজেক্ট অমা ওইনা তম্বা য়ানরম্মী অদুবু থবক্তা ওন্থোক্তে। থবক্তা ওন্থোক্তবা অসিগী মরম কয়ামুক লৈরম্মী। মসি মনুংদা মরু ওইবা অমদি সবজেক্ট অসিদা তম্বীনবা লাইরিক লৈতবনি। স্পোর্টস অমসুং জিওগ্রাফিগী মরমদা ইবা লাইরিক লৈরমদে। অদুবু অফং অফংবা লাইরিক্তগী খন্দোকপা য়াবা মরু ওইবা মচাকশিং লৌথোক্লগা সবজেক্ট অসি তম্বীবা হৌনখি। লাইরিক লৈতবগী খুদোংচাদবা অসিগীদমক হীরম অসিদা থৱায় য়াওবশিংনা মরী লৈনবা লাইরিক ইদুনা স্পোর্টস জিওগ্রাফিগী সবজেক্ট অসি হিংহল্লকখিদুনা ঙসিগী লৈরিবা থাক অসি য়ৌরকখি। জোন বালে কৌবা ওজা অমনা হীরম অসিগী মরমদা লাইরিক ইদুনা মহৈরোয়শিং অমদি কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংদা কান্নবা কয়ামুক পীখি।

প্রোফেসর জোন বালেনা হায় মদুদি মহাক্না স্পোর্টসকী মরমদা মহৈ তম্বীবা মতমদা মহাক্না জিওগ্রাফিসু তম্বীরম্মী। মদুদা মহাক্না ৱাখল অমা তৌখি মদুদি মতমগা চান্ননা, হৌজিক্কী মতমগী সোসাইটিগা চান্ননা হিংবা য়ানবা মহাক্কী জিওগ্রাফি ক্লাস অদুদা অঙাংশিংনা মপূক্লিং চঙনবা স্পোর্টসকী মরমদসু তাকপী তম্বীরম্মী। মহাক্না অহানবদা খল্লম্মী মহাক্না লাইরিক তম্বীবদা শান্নবগা য়ানশিন্নবা অসি অফবা ফল ওইরোই অদুবু মহাক্না খঙলকখি মদুদি স্পোর্টস অসি মহৈ-মশীন তম্বীবদা মতিক চাবা খূৎলায় অমনি। মহৈরোয়শিং অদু মহাক্কী ক্লাসতা য়াম্না থৱায় য়াওবা হেনজিল্লক্লম্মী।

মহাক্না মথং তাবদা হায়র এদ্যুকেসন হায়বদি অৱাংবা থাক্কী ক্লাসতা তম্নবা হীরম অসিগী মরমদা লাইরিক ইরম্মী। মহাক্না ক্লাস অসি চথুরকপগী মতুংইন্না অঙাংশিং অদুনা লৈবাক অমগী লৈফম, লৈবাক অদুগী চীং-তুরেল অমদি তম্পাক্কী মরমদা ফিজিকেল ফ্যুচর অমদি লমদম অদুগী মরমদা খঙলকখি। অদুগা মহাক্না খুদম পীবা মতমদা স্পোর্টস জিওগ্রাফিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মরমদা পীরম্মী।

নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংদা স্পোর্টস জিওগ্রাফি অসিনা ‘সোসল সাইন্স’ কী মরমদা হেন্না থৱায় য়াওশিনগনি। স্কুল তম্লিবা মহৈরোয়গী ওইনদি ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিবা সহরশিং অদু করম্বা লৈবাক্তা লৈবগে হায়বা অসি খঙনবা জিওগ্রাফিগী মরমদা খঙবা খক্তা নত্তনা সোসল ষ্টদিজ ওইনা থোইদোক হেন্দোকপা মচাক অমনি। অদুবু জিওগ্রাফিগী ওইনদি ইকোনোমিক জিওগ্রাফি, ফিজিকেল জিওগ্রাফি অমদি হ্যুমেন জিওগ্রাফিনচিংবা অসিনা মরু ওইবা সবজেক্ট ওইবগা লোয়নন্না ক্লাইমেটেলোজি, ওসিনোগ্রাফি অমদি জ মোরফোলোজিনচিংবনি।

স্পোর্টস অমদি জিওগ্রাফিগী ৱারেংদা অচৌবা ৱাফম অমদি নিংথমগী ওলিম্পিক (ৱিন্টর ওলিম্পিক) গেমসকী ৱাফম অসিনি। কালেনগী ওলিম্পিক (সম্মর ওলিম্পিক) গেমস হায়বা অমগা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস হায়না খঙনবা অমগা ওলিম্পিক গেমস অনী পাঙথোকই। গেমস অনী অসিগী মনুংদা ৱিন্টর ওলিম্পিক্কী ওইনদি উন য়াম্না তাবা মফমদা পাঙথোকই। মরম অসিনা গেমস অসিদি জিওগ্রাফিগা হেন্না মরী লৈনবা থৌরমনি।

মরম অসিনা উন য়াম্না কন্না তাবা অঙৈংবা নুংশিৎ কন্না কন্না শিৎলকপা মরম্না ৱিন্টর ওলিম্পিক পাঙথোকপদা খুদোংথিবা কয়ামুক য়াওখিবা লৈখ্রে। খুদম ওইনা অহানবা ৱিন্টর ওলিম্পক চামোনিক্সতা কুমজা ১৯২৪দা পাঙথোকখিবা মতমদা উন মরীক অমা ফাওবা তারক্তবদগী অশিন অরাংশিং অদু মথ্বায় য়াম্না ৱারম্মী। দিসেম্বর ২৩ ফাওবা উন তারকখিদে। অদুবু মথংগী নুমিত্তা উন য়াম্না কা হেন্না তাশিল্লকখি। উনগী অথাবা অদু ফুট ৩গা ইঞ্চি ৮নি। ফীভম অসিসু উন হেনমন্দুনা গেমস অদু পাঙথোকপা য়ারোই হায়বা খঙখি। অদুবু মমৈথংদা উন অদু মীয়াম চঙদুনা কোৎথোক্লগা ওলিম্পিক অদু মতম চানা হৌখি। ●